ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মার্চ ৭, ২০২৪দা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সীনা লোকল বোদিশিংগী মহুৎ শিনবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেমখিবগী মায়োক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লোকল বোদিশিংগী মীহুৎশিংনা দি সী ওফিস তম্না থোমজিল্লকপদা পুলিসনা থৎপা

লৌশিং পূক্কে : শঙ্গোম অসি ঐখোয়না অফবা চিঞ্জাক্নি...☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মঙফাওনখিদ্রবা কুকিগী মঙলান পরেং!

হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী থোরক্লিবা লানসিদা মৈতৈ ঐখোয় ...☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ ইজরেলগী পি এম নেটনয়াহুনা রাফাদা লান্দাগনি ...

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা...☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ সাইক্লোন অমসুং মোদেল সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ককচীংদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফাউন্দেসনেল লিটরেসি এন্দ ন্যুমরেসি টিচিং লর্নিং মেটিরিএল মেলাদা শরুক য়াখিবা স্কুলশিংগী অথোই অহেন তাবগী মনাশিং ওজাশিংদা য়েন্থোকখিবা (লমায় ৬)



Vol. 47, Issue No. 340 | লৈবাকপোকপা, লমতাগী ২ / ৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, March 12, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম

# এস বি আইগী মতম শাংদোক্নবগী প্রেয়র সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

### ঙসিমক ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী ৱারোলশিং পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা লৈবাক অসিদা মশক মমিং ফোঙদোকহন্দবা মীওইশিংনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা শেলগী মতেং পীবদা অয়াবা পীরকখিবা 'ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম' চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা অয়াবা অসিগী মখাদা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পীরকখিবা শেলশিংগী অকূপ্পা রিপোর্ট অমা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা পীখৎনবা অকক্নবা মতম পীখিবগী মায়োক্তা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) না রিপোর্ট অসি পীখৎপগী মতম শাংদোকহনবীয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়র এপেক্স কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়নননা হয়েংমক এস বি আইনা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা অকনবা দিরেক্সন অসি ঙসি এস বি আইদা পীখিবগা লোয়নননা হয়েং ফাওবগী মনুংদা এস বি আইনা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী পীখৎলক্কদৌরিবা অকূপ্পা ৱারোলশিং অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এস বি আইগী থৌওং বি জে পিগী অরোনবা ইলেক্সন ফন্দ লোৎশিন্নবা থৌরাংনি : সী পি আই

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিদা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী থাদগী চৎনহল্লকখ্রবসু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫দা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মণিপুরগী লানগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হায় :

# লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবা সী এস ওশিংদা হায়রোই মণিপুর লৈঙাক্না লো এন্দ ওর্দর ঙাকচগদবনি

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌজিক ফাওবদা লেপ্তনা চথরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা লৌখৎপা কেসশিংগা মরী লৈনবা পিটিসনশিং লৌখৎলদুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মখা তানা খন্নখিবগা লোয়নননা 'ঐখোয়গী মায়কৈদগীদি মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবগীদমক সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদা দিরেক্সন পীবা ঙমদে, মফম অদুদা লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্না লো এন্দ ওর্দর ঙাকচগদনি' হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি জজ অহুম্না শাবা বেঞ্চ অমবু লুচিংখিবা চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুর লৈঙাক, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং নেসনল



ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) দা মখোয়না লৌখৎখিবা কেসশিংগী মতাংদা চঙখিবা থিজিন হুমজিনবা থবকশিংগী ষ্টেটস রিপোর্টশিং পীখৎলক্নবা খঙহনখিবগা লোয়নননা মণিপুরদা থোকখিবা এঠনিক ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা লৌখৎখিবা কেসশিংগী চার্জশীটশিং কয়াম য়াম্না থাগৎখ্রবগে হায়বদুসু খঙহল্লক্কদবনি হায়খি।

রিপোর্ট অসি পীখৎলক্নবা মতুংদা কেসশিং অসিগী ৱায়েলশিং অসামদা চঙবা হৌগদ্রা নৎত্রগা মণিপুরদা অদুমক চঙগদ্রা হায়বদু সুপ্রিম কোর্টনা লেপথোকপদা মতেং পাংগনি হায়খি।

চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চতা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা লৈবাক অসিগী এটোর্নি জেনরেল আর ভেঙ্কতরমনিদসু সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা জষ্টিস গিতামিটল কম্মিটিনা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পাউতাক লৌনবসু খঙহনখি।

চৈরকসিদা, সুপ্রিম কোর্টনা খনখিবা জষ্টিস গিতামিটলনা লুচিংবা জজ অহুমগী কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি মখোয়না মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পীখৎখিবা রিপোর্টশিং অদুগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী ওর্দর খরা পীহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মার্চ ১৫দা ইলেক্সন কম্মিস্নর ২ খল্লবা য়াই

**ন্যু দেল্লী, মার্চ ১১ (এজেন্সী) :**

মথং থাদা পাঙথোক্নি পান্নরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্লমদাইদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী ইলেক্সন কম্মিস্নর অরুন গোয়েলনা থা অসিগী ৯দা রিজাইন তৌখিবদগী হান্নদগী হাঙদুনা লৈরকখিবা ইলেক্সন কম্মিস্নর অমগা য়াওনা পুন্না অনীগী অহাঙবা ফম মেনশিনবগী থবক থা অসিগী ১৫দা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ময়াই তাংবল লৌদুনা সিলেক্সন কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি। কম্মিটি অসিদা লোক সভাগী ওপোজিসন লিদর অধির রঞ্জন চৌধুরি য়াওবগা লোয়নননা কম্মিটি অসিনা ইলেক্সন কম্মিস্নর অনী খনবগী পেনেল অমা শেম্লবা মতুংদা অহাঙবা ফম অনী মেনশিল্লবা য়াই হায়রি।

# ক্বাথা খুনৌগী নিংথৌগী য়াওনা য়ূম ২ মৈ তুম্না থাদোক্লম্লে



**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** কুকি লমহেনবশিংনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান থা ১১ য়ৌশিল্লক্লবসু লেপ্পা লৈতনা চথরকপগী মনুং চন্না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১গী মনাক্তা লৈরকখিবা মীতৈগী অরিবা খুল ক্বাথা খুনৌগী নিংথৌগী য়াওনা য়ূম অনী মৈ তুম্না থাদোক্লম্লে।

মৈ চাকখ্রবা য়ূমশিং অদুগী মনুংদা অমনা ৱাহেংবম বুদ্ধ (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা তোম্বুংগীনি অদুগা অতোপ্পা য়ূম অমনা ক্বাথা খুনৌগী নিংথৌ লাইশ্রম ইরাবন্ত (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা চুরামনিনি হায়রি।

খুল অসিগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা ঙরাং ক্বাথা খুলগা থংননা লৈরিবা কুকিগী মোলফৈ খুলগী নিংথৌনা ক্বাথা খুনৌগী য়ূম মৈ চাকপা উরকখিবনি। য়ূম মৈ চাকপা উবদা মোলফৈ খুলগী নিংথৌ মশা য়াওনা কন্ননবা চঙশিল্লুবদা মমায় মমিৎ খুম্বা মীওই ৩/৪ মফম অদুদগী চেনখিবা উহৌই হায়রি।

মীওইশিং অদু অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা চীং লম্বীদা চেনখিবনা কনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

# মণিপুর কন্নবগীদমক ইন্দিয়াগা মরুপ ওইদবা য়ারোই : চীফ মিনিষ্টর



### 'মণিপুরগী ট্রাইবেল এফেয়রস মিনিষ্টর শিন্দোকপগী ৱারেপ পার্টিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংনা লৌগদবনি'

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):**

মণিপুরগী নাগা এম এল এ ১০না হৌজিক লৈরিবা ট্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর শিন্দোক্তুনা মহাক্কী মহুত্তা অনৌবা মিনিষ্টর অমা হাপ্পীনবা হন্দক চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রবসু মহাক্না লুচিংলিবা লৈঙাকসিগী মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন, হাপতোক-হাপচিনগী থবক অসি পার্টিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংনা লেপকদবনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### পোকখায়রোইদৌবা হেন্দ গ্রেনেদ থল্লম্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদা এদিসনেল দিরেক্টর ওইরম্বা ডা. থোকচোম জয়গী নাওরেম লৈকায় লিৱা লম্বীদা লৈবা য়ূমদা ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে হায়রি।

বোম অদু ঙরাং নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### পিছ এগ্রীমেন্টতা চঙশিল্লকখ্রবশিংবু ময়াং ইম্ফালদা তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** হন্দক ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না পিছ এগ্রীমেন্টগীদমক খূৎয়েক পীনখিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংবু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী বন্দ হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):**

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা চৎলিবা গাড়ীশিংদা পুবা থাংবা ঙমদবা ইল্লিগেল টেক্সশিং লৌরে হায়বগী মায়োক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Citizenship Ammendment Act chatnahallakpana yelhoumising mutsillakliba Manipurda henna kanba saphu ama pirakani haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Heiranglingeida Yurangbadouna Lan marakta Election pangthokpada Manipurdagi BJP gi MP ani mai paklakkadra?

Yes 20% No 80%

### জেদ য়ু এফকা খূৎ থোক্নবদা 'আই এম' ১ শোক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্কা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরক্কনি হায়বগী মঙলান্দা চহী কয়া লিশাং শিংনা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট তৌনদুনা ৱারী শানরক্লিবা এন এস সী এন (আই এম) গা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) কী ফেক্সন অমগী কাদরশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা আই এমগী কাদর অমা নোংমৈ মৰূনা পান্দুনা শোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়বদা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ তারমদাইদা লোক্তাক পুলিস ষ্টেসননা কোল্লিবা লৈমতাক এরিয়াদা থোকখিবনি হায়রি।

মফম অদুদা জেদ য়ু এফকী খূৎপু অমা লৈরিঙৈদা আই এমগী কাদরশিং চঙশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখিবনি। নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপা ফাওবদা চঙখিবা খূৎ থোক্নবা অদুগী নোংমৈ মখোলশিং নিংথৌখোং মনীংদা লৈবা মীয়াম্না তাখি। মফম অদুগী মীয়াম্নদি কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দারক্লে হায়রদুনা খুল ঙাকপশিংনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা খূৎ থোক্নরিবা নাকল অনীমক্না মীতৈ খুল ঙাকপশিং চঙশিল্লক্তনবা খঙহল্লকপদগী মখা তানা চঙশিন্দনা হন্দোক্নরকখি হায়রি।

### এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেম্বগী মায়োক্তা ইম্ফাল ইষ্ট দি সীগী ওফিসতা থোমজিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ওর্দর অমা থোক্তুনা লোকল বোদিশিংগী থবক থৌরমশিং চঙনবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেম্লকখিবা অসি লোগী ৱাংমদনি হায়রদুনা খোঙফম অসি হন্দোক্তুনা অথুবা মতমদা গ্রাম পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়না মকেং দোলাইথাবীগী জিলা পরিষদ মেম্বর নিংথৌখোংজম সনাতোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দি সীগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা জিলা পরিষদ ১৭ য়াওনা পি আর আইশিং, জোব কার্দ হোল্ডরশিং অমদি য়াম্লবা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা লাক্তুনা দি সী ওফিসতা থোমজিল্লদুনা তোঙান তোঙানবা জি পিশিংনা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা সনাতোম্বনা হায়, হন্দক দি সীনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেম্লকখিবা অসি লোগী ৱাংমদনি অমসুং দেমোক্রেসিগী মায়োক্তনি। অথুবা মতমদা হন্দোক্তুনা পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোকপীগদবনি। অদুগা ইলেক্সন ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মোরেদগী পুথোরকপা য়োংচাকশিং মৈ থাবা লেপত্রি

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১১ হেল্লকপদা মোরে রোমদগী মীওই খরনা মারুটি ভেন অমদা পুথোরকখিবনি হায়বা য়োংচাকশিং ককচীং লমখাইদা খুল ঙাক্লিবী নুপীশিংনা ফারগা পৈশিন্দুনা থল্লগা মৈ থাদোকখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা মে ৩দগী চথরক্লিবা লান অসিগী মনুংদা কুকিশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থবক অমত্তা চথরকপা য়ারোই। মখা তানসু মীয়াম্না পাম্না চানরবসু মোরেদগী কুকিশিংদগী লৌরগা তম্পাক লম তান্না য়োংচাক পুশিল্লকপা পুমথিং থিংমিন্নরসি হায়খি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদসু মোরেদগী পুথোরকপনি হায়বা য়োংচাকশিং মৈ থাবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

### য়ুনিয়ন লৈঙাক্না 'সী এ এ' মপূং ফানা চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মার্চ ১১ (এজেন্সী) :** বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা এক্ট ওল্লবা মতুংদা জন্যুৱারী ১০, ২০২০দগী মমিংতগী ওইনা লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌহনখ্রবসু মতম শাংনা মপাঙ্গল কল্লবা এক্ট অমা ওইহল্লক্ত্রবা 'সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট' (সী এ এ) চৎনবা হৌহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ঙসি লাউথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, এক্ট অসি মপূং ফানা চৎনরক্লবদি লৈবাক অসিদা দিসেম্বর ৩১, ২০১৪গী মমাঙদা য়ূমলোন্নরিবা পাকিস্তান, বাংলাদেশ অমসুং আফঘানিষ্টান্দগী চঙশিল্লকখিবা হিন্দু, সিখ, জ্যেন, খৃষ্টিয়ন, বুদ্ধিষ্ট অমসুং পার্সি ফূরুপকী মীওইশিংবু লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইবগী হক ফংগদৌরিবনি।

# নাগালেন্দদগী লাক্লগা মীতৈগী লাই হরাওবা য়েংজগে খন্না লৈরিঙৈদা লান হৌরকপদগী হনবা নংদদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা থা ১১ ফাজিল্লক্লে

### হকথেংনবা পাউদম

*নাগালেন্দগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :**

অসামগী হোজাই মীতৈ লৈকায়দা পোল্লগা নাগালেন্দগী মীতৈ তাবা খুল 'গৈলি' দা ময়ূম পান্দুনা মচা ৩গী মমা ওইরবী মশাগী চহী ৬৬ লোম শুরবী সোইবম উরিরৈনা পাউচে অসিদা হায়, ইপুরোইবা ঙন্না কায়নখ্রবসু অফং-অফংবা থবক শূবগা লোয়নননা নাগালেন্দগী চীংমীশিংগী লৌ-শীং উদুনা ইচাশিংবু মী ওইনবা শেমজরকপদগী লোইনমক ময়ূম পানখ্রে। ইচা নিঙোল অমা ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর



৮দা লৈবা মীতৈ অমদা ময়ূম পানবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০২২গী নবেম্বর থা লোইশিল্লকপদা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবদা ক্বাক্তাদা ওংখিবী ইচানুপীগী মনাক্তা মহাক্কী চাক্কৌবগী খুদোল পীরুগে অমসুং উন্দবসু কুইরে হায়দুনা লাকখিবনি। ঐহাক উবদা ইচানুপীনা হরাওমনখিদুনা মতম খরা মহাক্কী মনাক্তা লৈবীরো হায়রকপগা লোয়নননা ঐসু মীতৈ ওইবদগী ঐগী ইফূরুপকী লাই হরাওবগী থৌরম য়েংজনীংবদগী লৈথখি।

অদুবু মমাঙ চহীগী মে ৪দা ঐগী লৈফম নাগালেন্দগী গৈলিদা অমুক হন্নবগী বস টিকেট ককখি। মতম খরা ইচানুপীগী মনাক্তা হরাও-হরাও নুংঙাইনা লৈবা ফংজখি। অদুবু ঐনা য়ূমদা হনগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ মে ৩দগী লান হৌরকপদগী ইচানুপীগী ময়ূম অদুসু কুকিশিংনা তুম্না মৈ থাদোকখ্রে অদুগা ঐনা হনবদা তোংগদবা নাগালেন্দগী বসসু চেনবা লেপখ্রে। হৌজিক ঐনা ৱারীবদি ইচানুপী অতোনবীদু য়ূমদা মথন্তা লৈহৌবনি। ইয়ানুপাদুনা মীগী গাড়ী ত্রক থৌরগা শেল তানবনিনা য়ূমদা কয়া লৈতে। ঐগী য়ূমদুদা ইচানুপী অতোনবীগা ইয়ানুপাগা ঐখোয় অহুমখক্তমক লৈবনি। ইচা অমসুং ইয়া করম তৌরমগদগে খনবদা ৱাখলসি পোথাফম খঙদে।-মথং-মথং

### অস! লোইরেহে!





# মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্টগী ১১শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ :** ঙসি মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) কী ১১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস ন্যুমাইনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অসিনা হায়, কুমওন থৌরম অসি জেনরেল হেদ ক্বার্টরস, বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরস অমসুং ষ্টেসন খুদিংদা মপূং ফানা পাঙথোকখি। জি ঐচ ক্যুদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা লূপ অসিগী চেয়রমেন জোন ফ্রান্সিস কাসুং, এস পি কানমি (হোম সেক্রেটরি), রুইচুংহাও (দিফেন্স সেক্রেটরি) অমসুং থোমাস ন্যুমাই (পব্লিসিটি সেক্রেটরি) না অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইখি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১





ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫